# এদৱার্দ স্নোদেন নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে



*ওস্লো, জনুৱারি ২৯ঃ* য়ু এস ইন্টলিজেন্সকী অরোনবা কয়ামরুম মীয়ামদা ফোঙদোক্লুবদগী য়ু এসতা লৈবা য়াদদুনা মিচেল ওইরিবা এদৱার্দ স্নোদেনবু হান্নগী নোরৱেগী মিনিষ্টর অমনা নোবেল কম্মিটিদা থাবা চিঠি অমদা লেমজনিঙাই ওইরবা নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক কয়ামরুমনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী অমদি মীয়ামগী মথক্তা অহেনবা থাক্তা সর্ভিলেন্স চথববু মীয়ামদা শেংনা খঙহন্দুনা মহাক্না অচৌবা থবক অমা পাঙথোকখি হায়না হান্নগী সোসিয়েলিষ্ট লেফ পার্টিগী মিনিষ্টর বার্দ ভেগার সোলজেলনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

থোকখিবা অদুবু খঙলবা মীয়ামনা গভর্নমেন্টতা থাজবগী মতাংদা কন্না দিবেট তৌননবা থৌইনশিন পীদুনা স্নোদেননা হোৎনখিবা অদু শান্তিগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তাবা য়ুম্ফম অমনি হায়নসু হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

নোরৱেজিয়ান নোবেল কম্মিটিদা থাবা চিঠি অদুদা মিনিষ্টর অসিগা মহাক্কী মরুপ অমগনা হায়খিবদা স্নোদেননা সবাক ফাক্লকখিবা পুন্নমকপু মখোয়না য়ানিংদবা নত্রগা শৌগৎপা লৈতে। মহাকপু মখোয়না থাগৎলিবদি অনৌবা মতমগী সর্ভিলেন্স কাঙলোননা টেক্নোলোজিগী ওইবা মচৎ অমদা চংশিল্লিবা থৌওং অদুবু মীয়ামদা খঙহনবীবগীদমকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

টেক্নোলোজি ফগৎপগী থাক অমদি কা হেন্না কুপ্পা য়েংশিনবা ওস্বগী ফিভম অমা মালেম শিন থুংবদা চত্থরি হায়বসি ঐখোয়দা য়াম্না ঙক্লা থোকহল্লি। অদুগা মসিনা দিবেট তৌননবগী থৌইনশিল পীরি হায়নসু মখোয়না নোমিনেসনগী চিঠি অদুদা ইখি। মখোয়না মখা তারদুনা হায়বদা স্নোদেনগী থবকশিং অসিনা মালেমগী ওইবা সিক্যুরিটি পোলিসি খুদিংমক্তা থাজবা য়াবা অদুগা ইখঙ খঙবা হায়বসিনা লমজিং পথাপ ওইগদবনি হায়বসি নৌনা অমুক মরু ওইহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি য়ু এসকী নেস্নেল সিক্যুরিটি এজেন্সিগী চেরোলশিং ইং ২০১৩ দা স্নোদেননা মীয়ামদা ফোঙদোরকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি মালেমগী মফম কয়ামরুমদা লন্নাই মীওইশিং ইন্সটিট্যুসনশিংগী মথক্তা পাক শন্না সর্ভিলেন্স চত্থরি হায়বা ৱাফম মীয়াম পুম্বনা খঙনরকখিবনি। অদুগা ৱিকিলিক্স হায়বা হ্বিসেল ব্লোৱর অদুদসু হৌজিক হৌজিক রুসিয়াদ লৈরিবা স্নোদেননা মমাংগী কালেনথাদা লৈবাক কয়ামরুমদা চংজফম পীবিনবা এপ্লাই তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

অদুবু স্নোদেননা এসাইলম নীরি হায়বসিনা পিছ প্রাইজগীদমক মহাকপু নোমিনেট তৌবগী ৱারেপ মখোয়না লৌবদা থোইদোক্লা মরী লৈনবা ওইখিদে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

ইং ২০১৩ গী জুলাই থাদসু স্বিদেনগী সোসিওলোজি প্রোফেসার ষ্টেফান স্বালফোর্সনা স্নোদেনবু নোবেল পিছ প্রাইজগীদমক নোমিনেট তৌবদা অরোইবা মতম হেন্দোকখিবনি। অদুবু নোমিনেসন অদু ইং ২০১৪ গী ওইনা অদুমক ভেলিদ ওইরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ঐখোয়না হৌজিকসু টালিবানগা ৱারী শাবা পাম্লিঃ নৱাজ সরিফ

*ৱালপিন্দি, জনুৱারি ২৯ঃ* পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা হায়খিবদা হৌখিবা থা খরা অসিদা শাথিবা এটেকশিং চত্থরকখিবা লৈরবসু হৌজিক ঐখোয়না টালিবানগা শান্তিগী ৱারী শাননবা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টালিবানগা য়ানবা পুরক্নবা মীওই ৪ গী টিম অমসু থানবা খোঙথাং পায়খৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নেস্নেল এসেমব্লিদা শিংথানিঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইনা মহাক্না হায়খিবদা টেরোরিজমবু ৱারী শাদুনা নত্রগা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মায়থিবা পীগদবনি। হন্দক অরোইবা তাঞ্জা অমা পীদুনা শান্তিগী ৱারীনা লোইশিন্নবা ওইনা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা টালিবান্নসু মমাং চহিদা মখোয়গী লিদর হাকিমুল্লহ মেহসুদপু দ্রোন এটেক অমদা হাৎখিবগীদমক এটেকশিং হেন্না কন্না চত্থরগনি হায়না ৱাশকখ্রবনি।

হকিমুল্লাহ মেহসুদগী মহুৎ শিনবা মুল্লাহ ফাজল্লুলাহ শান্তিগী ৱারী শারোই হায়বগা লোয়ননা লম্মন খুমগনি হায়নসু ৱাশকখ্রে।

পাকিষ্টান্দদি লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল লিদরশিংনা লালহৌবশিংগী ইরাং হেনগৎলকপদা খুৎ থোকপা ঙমদনা লৈরে হায়না মীয়াম্না খন্নবা হৌরে। মমাং চহিগী মে থাদা মীখলদা কারকখিবা নৱাজ সরিফনা পাকিষ্টনদা হৌজিক থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং অসি লোইশিন্নবা অকনবা প্রেসর অমা মায়োক্লরি। মহাক্না হায়খিবদা ঐনা থাজে মদুদি, ঐখোয়না টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন হেক হৌবদা মীয়াম্না ঐখোয়বু অমত্তা ওইনা শৌগৎলক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু ঐনা পাম্বদি শান্তিগী পোরম অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংবা অদুনি। টেলিভিজনদা থাদোকপা স্পিচ অমদা মহাক্না পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরশিংদা হায়খিবদা এটেকশিং চত্থবা ঐ তশেংনা পামদ্রে। শান্তিগী পোরমদা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎননিংলে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অহল ওইরবা পাউমী অনি রহিমুল্লাহ য়ুসুফ জাই অমদি ইরফান সিদিকি, হান্নগী এম্বেসেদর রুষ্টম সাহ মুহমদ অমদি আই এস আইগী থবক্তগী পোত্থারবা মেজর অমির সাহনা টালিবানগা ৱারী শানবদা য়াহন্নবা ৱা ফাওনহনগনি। অদুগা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরদা রিপোর্ট অমা পীহল্লক্কনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু ৱারী শানবগী অকক্নবা মতমগী তাঙ্কক অমতদি প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা পনখিদে হায়রি।

# ফিল্লিপিন্স মিলিটরিগী ওফেন্সিবতা লালহৌবা ৩৭ হাৎখ্রে



*মানিলা, জনুৱারী ২৯ঃ* ফিল্লিপিন্সকী খা থংবদা লৈবা মাগুইন্দানো প্রোভিন্সতা ফিল্লিপিন্স লালহৌবশিংগী মথক্তা নুমিৎ নিনি চুপ্পা মিলিটরিনা চত্থবা ওফেন্সিব অমদা য়ামদ্রবদা লালহৌবা ৩৭ হাৎলে হায়না মিলিটরিগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিল্লিপিন্সকী প্রসিদেন্ট বেনিগ্নো অকুইনোনা হায়বদসু মাগুইন্দানো প্রোভিন্সতা লালহৌবশিংগী খুৎতগী খুঞ্জাশিংবু মিলিটরি ওফেন্সিব অসিনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খুৎ থোক্নবা অদুদা য়াওখিবা লালহৌবশিংনা গভর্নমেন্ট অমসুং মোরো ইস্লামিক লিবরেসন ফ্রন্ট (এম আই এল এফ) কা গভর্নমেন্টকা পিছ একোর্ট অমা চত্থবদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

একোর্ট অসিগী মখাদা এম আই এল এফ লালহৌবশিংনা খুৎলায় থাদোক্লগা খারোমদা লৈবা লমদম খরদা মশানা লৈঙাকচবা য়াগনি হায়বসিদা য়ানখিবনি। অদুবু বাংসামোরো ইস্লামিক ফ্রিদম ফাইটর্স (বি আই এফ এফ) হায়রিবা চেহ্নোকখিবা লালহৌবা গ্রুপ অসিনা গভর্নমেন্টকা এম আই এল এফকা য়ানখিবা অদুদা এম আই এল এফনা কা হেন্না লায়না য়াথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লালহৌবা চা খরদংনা শেম্বা গ্রুপ অসিনা হায়বগী মতুংইন্না খারোমদা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী তোঙানা লৈবাক অমা তানবদা হন্দক য়ানখ্রিবা দিল অদুনা করিগুম্বা অমত্তা ফংহন্দবা মরমনা মখোয়দি লালহৌ মখা চত্থিগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বি আই এফ এফ রিবেলশিংনা হৌখিবা চহি খরদগী হৌনা শান্তিগী ৱারী কায়হন্নবা পান্দমদা মীশি মীনা থোকহনবা শাথিবা এটেক কয়ামরুম চত্থখিবনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রসিদেন্ট অকুইনোনা হায়খিবদা, লান্মীশিংনা হৌজিক লালহৌবশিংবু ফজনা মপাঙ্গল শোক্নহন্নবা পান্দম তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে। লোকেল মিলিটরি ৱাঙাংলোই কর্নেল দিক্সন হরমোজোনা হায়খিবদা, হৌজিক ফাওবদা অশিবা লালহৌবা ১২ দি মশক খঙলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওফেন্সিব অদুদা লান্মী অমা শিখিবা অদুগা ৪ না শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু লান্মীনা পীরিবা অশিবগী মশিং বি আই এফ এফ ৱাঙাংলোই অবু মিস্রিনদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেনদা সিভিল ৱার থোকপা য়াবা ফিভম য়ৌরে



*কিয়েব, জনুৱারী ২৯ঃ* য়ুক্রেনগী ইহান হানবা পোষ্ট ইন্দিপেন্দেন্টস প্রসিদেন্টনা লৈবাক অসি সিভিল ৱার থোকপা য়াবগী ফিভমদা য়াম্না নক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইং ১৯৯১ দগী ১৯৯৪ ফাওবা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা লিওনিদ ক্রাবচুকনা পার্লিয়ামেন্টদা দিবেট অমা হাঙদোকপদা মীপুম খুদিংমক্তা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা থৌদাং খঙনা থবক তৌনবা তকশিনখি।

দিবেট অদু ৱাকৎলোইশিংদা এমনেষ্টি অমা পীনবগী মতাংদা চত্থখিবনি। অদুবু ৱাকৎলোইশিংনা ওফিসিয়েল বিল্ডিংশিং থাদোকপা মতমদা কন্দিসন অমগী মখাদা এমনেষ্টি পীবা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিষ্টনা পামখি। অদুবু প্রসিদেন্ট অসিগী প্রপোজেল অদু ওপোজিসননা রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা য়ানুকোভিষ্টপু মফম থাদোকহনবসু মখোয়না পামখি।

হেলমেট উপ্পা অদুগা বেজবোল বেট পায়বশিংনা অয়াম্বা ওইবা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা ৱাকৎলোই চা কয়ানা দিবেট অদুগী মতুংদা কিয়েবতা লম্বী লমজাওশিংদা ৱাকৎ খোঙজং অমুকসু চংশিনখি হায়না বি বি সিগী পাউমী অমনা ফোঙদোরকখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপদা পার্লিয়ামেন্টনা এন্টি প্রোটেষ্ট লো মুত্থৎখিবা অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা মফম থাদোকখিবদগী ওপোজিসনগী অনিংবা শরুক খরদি থুংখি। লিওনিট ক্রাবচুকনা এম পি শিংদা হায়খিবদা য়ুক্রেন অসি সিভিল ৱার অমগী ঙকয়া য়ৌরে হায়বসি মালেম পুম্বনা অমদি য়ুক্রেন লৈবাক অসিনা খঙলবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি অনৌবা য়াওল অমনি। মসি ঐখোয় খুদিংমক্না খ্বাইদগী রেস্পোন্সিব্লিটি খঙনা খোঙ থাঙ্গদবা শিংথানিঙাই ওইবা ফিভম অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকপদা পার্লিয়ামেন্টতা তিনখিবা পুন্নমক্না ইকাই খুন্নবগা লোয়ননা অপেনবা উৎখি।

# আফগানিষ্টানদা য়ু এসকী অপিকপা ফোর্স অমদি থম্লমগনি

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ২৯ঃ* য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ঙসি হায়খিবদা অমেরিকাগী খ্বাইদগী কুইনা শোক্নবা লান অমা ওইনা আফগানিষ্টানদা চত্থরকখিবা লানফমশিং অসি লোইরকপদা ইং ২০১৪ গী মতুং তাবদা য়ু এসনা অপিকপা ফোর্স অমখক থম্লম্নবা খল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহিগী ওইনা পীবা স্পিচ অমদা য়ু এস কংগ্রেসতা ওবামানা হায়খি, মদুদি লাননা কাং-খোং চাইহল্লবা লৈবাক অসিদা অপিকপা ফোর্স অমদি অদুমক থম্লমগনি হায়বগা লোয়ননা ইং ২০১৪ গী মতুং তাবদা আফগানিষ্টানদা লৈহৌগদবা য়ু এস লান্মীগী অকক্নবা মশিংদি মানা ফোঙদোকখিদে।

মানা হায়খিবদা য়ু এস লান্মীশিংনা ত্রেনিং পীবা, আফগান ফোর্সশিংবু মতেং পাংবা অমদি কাউন্টর টেরোরিজমগী ওপরেসনশিং চত্থদুনা অলকাইদাগী লেমহৌখাকশিংবু তকথোকখিনবা থবকশিং চত্থিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা সিক্যুরিটি এগ্রিমেন্ট অমা করিগুম্বা আফগান গভর্নমেন্টনা সাইন তৌরগদি নাতো এলাইশিংগা লোয়ননা অমেরিকাগী অপিকপা ফোর্স অমা আফগানিষ্টানদা লৈহৌবা য়াগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক অনিগী মরীদসু অহোংবা খরদি লাক্কনি। অদুমকপু হোংলোইদবা অমখক্তি ঐখোয়গী লৈবাক্কী মায়োক্তা টেরোরিষ্ট অমত্তনা এটেক চত্থহন্দবা হায়বা ঐখোয়গী ফিরেপ অদুনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। ইং ২০১৪ গী মতুংদসু অপুনবা আফগানিষ্টান লৈবাক অমা লেংদনা লৈহনবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাং ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# জেনেভাদা সিরিয়াগী ইৱাংগী মতাংদা ৱারী মখা চত্থখ্রে

*জেনেভা, জনুৱারি ২৯ঃ* সিরিয়াদা ত্রাঞ্জিস্নেল গভর্নমেন্ট অমা লৈহনবগী মতাংদা য়ানদনা লৈরিবা অসিগা মরী লৈননা জেনেভাদা সিরিয়াগী শান্তিগী ৱারী মখা অমুক চত্থখ্রে হায়রি।

য়ু এন এনভোই লাখদার ব্রাহিমিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী সেসন অদু কেন্সেল তৌখিবনি। ওপোজিসননা হায়খিবদা মখোয়না ত্রাঞ্জিসন প্লান অমা পুথোক্লে, অদুবু গভর্নমেন্টনদি প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদকী তুংলমচৎকী মরমদা খন্নবা য়ানিংখিদে হায়নসু মখোয়না কমপ্লেন্ট তৌখি।

চৈরক অসিদা গভর্নমেন্টনা হন্দক্তা য়ু এস কংগ্রেসনা সিরিয়াগী লালহৌবশিংদা মখা তানা মতেং পীবা য়াখিবা অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চৎখিবা নিংথৌকাবদা য়ু এস কংগ্রেসনা সি আই এ না চত্থবা থৌরাং অমবু ঙাক্লৌ পীদুনা জোর্দানদা লৈবা সিরিয়াগী নন ইস্লামিস ওইবা মোদরেট রিবেল ফেক্সনশিংদা খুৎলায় অমদি ত্রেনিংগী মতেং পীবদা লোন্না অয়াবা পীখ্রে হায়বসি ফোঙদোক্লরকখিবনি।

অদুগা চৎখিবা লৈবাকপোকপদনা য়ু এস গভর্নমেন্টকী মীহুৎ অমনা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংবু মখা তানা খুৎলাই পীথনবা য়ু এসনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বদু কন্দেম তৌবা চেরোল অমা ফোঙদোরকখিবনি।

সিরিয়াগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ওমরান অল জৌবীনা হায়বদা ৱাশিংটননা জেনেভাগী শান্তিগী ৱারী অসি স্পোন্সর তৌই হায়রগা রিবেল ফেক্সনশিংদা শৌগৎলিবা অসিগদি য়াম্না তাইওন্নরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুগা শান্তিগী ৱারী অসিবু স্পোন্সর তৌরিবা মোস্কোনা সিরিয়াগী মিলিটরিদা খুৎলায় য়োনবগী থবক চত্থরিবনি।

সিরিয়াদা ওপোজিসন ওইরিবা নেস্নেল কোলিসননদি জেনেভা কম্যুনিক অদুবু মপুং ফানা থবক ওইনা চৎনহনবা হায়বসিদা গভর্নমেন্টনা য়াগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জেনেভা কম্যুনিক অদুগী ৱারোলদদি সিরিয়াগী তুংলমচৎতা প্রসিদেন্ট অসাদনা লৌগদবা থৌদাং অমত্তা লৈহল্লোইদবনি হায়না পল্লিবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা য়ু কে গী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা য়ু কে দা লৈরিবা সিরিয়াগী রিফ্যুজি কেম্পশিংদা অৱাৎপনা থল্লবা মীয়ামগীদমক পীফম থোকপা মতেং খ্বাইদগী অথুবা মতমদা পীনবা থবক য়ু কেনা পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মরুওইনা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী ভিক্টিম ওইরবীশিংদা অখন্নবা মতেং পীবা পাম্মী হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা এম পি শিংদা ফোঙদোকখি।

য়ু কে কী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর নিক ক্লেগনা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা হায়খিবদা টোর্চর ভিক্টিমশিং, অহল ওইরবশিং অমদি মীমান্নদ্রবশিংদসু মতেং ফংহনবা হায়বসিসু খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাং ওইনা পায়খৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু কে গী গভর্নমেন্টনা সিরিয়াগী রিফ্যুজি মশিং অকক্নবা অমদি পীদনা ১০০/ ১০০ না খুজিং ওইনা য়ু কে না লৌশিনবা ঙমগনি হায়নসু অশা তৌরিবনি।



*য়ু কেদা রিফ্যুজি ওইনা লৈরিবা সিরিয়াগী অঙাংশিংনা হরাওনা শান্নরি*

# খ্বাইদগী য়াম্না নোং খাকপদা ভেনিজুয়েলাগী রিজন অমা গীনেস রেকোর্দ চনখ্রে

*কারাকাস, জনুৱারী ২৯ঃ* গীনেস রেকোর্দ চনবগী হিরমশিংদা খ্বাইদগী হেন্না নোং খাকপা মফমশিংগী অথোই অহেন তান্নবা অমদা ভেনিজুয়েলাগী লমদম অমনা পুং ১ দা ২০,০০০ গী চাংদা মমিৎ ফাকপগীদমক রেকোর্দ চনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

রেকোর্দ চনবগী সার্টিফিকেটদি গীনেস বুক ওপ ৱার্ল্ড রেকোর্দসকী রিপ্রজেন্টেটিভ জোহানা হেস্লিংনা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা খুৎশিন্নখি হায়রি।

নোংচুপ থংবা জুলিয়া ষ্টেটতা থোকপা মহৌশাগী থৌওং অসি কেটাটুম্বো লাইটনিং হায়নসু খঙনবনি। থৌওং অসিনা কেটাতুম্বো তুরেলগী ঈচিনদা এপ্রিদগী নভেম্বর ফাওবদা চহি খুদিংগী ওইনা মশিং থিঙমদ্রবা ইলেক্ট্রিকেল ষ্টোমশিং থোকহনবনি। লমদম অসি লেক মরাকাইবোগী খারোমথংবা মতাইদা লৈবনি। মফম অসিদা থোক্লিবা নোং খাকপগী মশিং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না চাংচৎতা মিনিট অমদা ১৮ দগী ৬০ ফাওবগী চাংদা থোক্কুনা পুংদা পাবদা ২০,০০০ অদুগা চহিগী ওইনা লৌবা মশিংদনা মিল্লিয়ন ১.২ থোকই। মমিৎ অমুক ফাকপদা নোং খাকপা অমমমনা লাইট বল্ব মিল্লিয়ন ১০০ ঙালহনবা ঙম্বগী চাংদা ইলেক্ট্রিক ফ্লাশ থোকহনবনি হায়নসু ভেনেজোলানা দা নোটিসিয়াস হায়বা এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

ভেনেজোলাগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোরগে এরিয়াজানা গীনেস রেকোর্দকী সার্টিফিকেট অদু রিসিপ তৌখি হায়রি।

# রাইওদা লৈকং থোং তেকপদা মী ৪ শিরে



*রাইওদিজেনিরো, জনুৱারী ২৯ঃ* রাইওদিজেনিরোদা খোঙনা চৎপশিংগীদমক শাবা লৈকং থোং অমদা লোরি অমনা থোমজিনবদগী থোং অদু তেকথরকপদা মীওই ৪ শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেকথরকখিবা থোং অদুনা মখাদা লৈরম্বা গ্যাডীশিংদা নম্থখি। য়েল্লো লাইন রোদ হায়না খঙনবা রাইওগী অৱাংদা লৈবা মী য়াম্না চিনবা হায়ৱে অমদা খুদোংথিবা থৌদোক অসি ঙরাং থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৪ সু শোকখি হায়না টোল রোদ অসিবু চলাইবা কম্পেনি লামসা হায়বা কম্পেনি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিৎনা উহৌবশিংনা হায়বদা থোঙ অদু তেকথরকপা মতমদা মী য়াম্না চিনবা লম্বী অদুদা মীওই অনি খক্তমক চৎলম্মী হায়রি। মহৌশানদি নাপু মচু তৈবা থোং অসি মী য়াম্না চিনবা অয়াম্বনা অঙাংশিংনা স্কুলদা চৎনবনি। অদুবু ব্রাজিলগী কালেন ছুটি ওইখিবা মরমনা থোং অদুদা মী কা হেন্না চিনখিদে হায়রি।

রাইওদিজেরিরোগী মেয়োর ইদৱার্দো পেজনা থৌদোক থোকফমদা লাকখিবা পাউমীশিংদা হায়খিবদা লোরি অদুগী ত্রেল্লর অদু লম্বী অসিদা শীজিন্নবা য়াবগী অয়াবা অপীবা চাং ওইবা মিটর ৪.৫ দগী হেন্না ৱাংনা লাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

পেজনা মখা তারদুনা হায়বদা, লোরি অদুগী ফম্পাক অদু খোঙ লম্বী অদুদা য়ৈবা য়াবগী চাংদা ৱাংনা লাকখিবরা হায়বদু খঙদোক্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা ত্রকশিংবু নুংতিগী ওইবা মফম অদুদা মতম অদুদা চৎপগী অয়াবা পীদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকফম অদুগী মনাক্তা লৈবা দে কেয়ার সেন্টর অমগী দিরেক্টর ওইবা ভেল্লরিয়া দা পাইসোনা টি ভি চেনেল অমনা হায়খিবদা থৌদোক অদু থোকপা মতমদা য়াম্না কন্না পোকখাইবগা মান্নবা অহৌবা মখোল অমা তাখি হায়না ফোঙদোকখি।

খোঙ লম্বী অদু ঐখোয়গী সেন্টর অসিদা অঙাংশিং পুদুনা লাকপা মমা ওইবী কয়ামরুমনা তোয়না চৎনবা লম্বীনি। অদুবু ভেকেসন মতম ওইদুনা ঐখোয়গী সেন্টর অসি লোনখিবদগী অশি অনা মশিং কা হেন্না য়ামখিদবা অসিগীদমক ঈশ্বরবু থাগৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-139

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | 8 | | 9 | 7 | | |
| | 6 | 3 | | | | | | 4 |
| | | 7 | | | 3 | | | |
| | | 2 | 1 | | | | | 9 |
| | | | | | | | | |
| | | | 5 | 7 | | 8 | | 6 |
| | | | | | 4 | | 2 | |
| 9 | 8 | 4 | | | | | | |
| | | | | 6 | | | 3 | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 9 | 7 | 4 | 3 | 8 | 2 | 5 | 6 |
| 5 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 3 | 6 | 4 | 2 | 7 | 5 | 9 | 1 | 8 |
| 6 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 7 |
| 7 | 5 | 2 | 6 | 4 | 9 | 3 | 8 | 1 |
| 4 | 3 | 1 | 7 | 8 | 2 | 5 | 6 | 9 |
| 9 | 4 | 6 | 3 | 2 | 1 | 8 | 7 | 5 |
| 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 4 | 1 | 3 | 2 |
| 2 | 1 | 3 | 8 | 5 | 7 | 6 | 9 | 4 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*